রাসেশ্বরী পালাগী পরম্পরা



দা. যামিনী দেবী

Dedication



শ্রীশ্রী রাসেশ্বরী গোবিন্দগী খুযা মখালদা কচ্চরী ননা

তোল্লবীনা ইডাবা

''রাসেশ্বরী পালাগী পরম্পরা''

যামিনী

Raseshwari Palagi Parampara

*A writing on Manipuri Culture - Raseshwari Pala by **Dr. Chongtham Jamini Devi** published in 2009 by Rai Pravina Brothers Publication, Sagolband Tera Bazar Imphal Manipur, Pin - 795 001*

1st Published January-2009

তক অইবীগীনি

মখুমগী লাই শিজ লাইওইবীগী অযেকপা শক্তম

By courtesy - R K C S

লাইবিক ফংফম :

১। বাজেস বুক ষ্টোব, গর্ভনব বোড, ইম্ফাল।

২। মনিপুব সাহিত্যা পবিষদ ওফিস , ইম্ফাল।

৩। অইবীগী যুম

Price . Rs. 70/-

Printed at CD Byte Computers Yaiskul Police Lane Imphal

অইবীগী ৱাহৈ খর

মনিপুরগী কলা সংস্কৃতিগী লমদা বাসেশ্বরী পালানা অচৌবা খুঙম অম' কন্দুনা লৈরিবনি। ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা নুপীগী সংকীর্ত্তন পালা লৌরবশিংগী অহানবা বাসেশ্বরী পালানি। মতম শাংনা শ্রীগোবিন্দগী সেবা লেপ্লুবনা পালা মসিগী মরমদা মীয়ামনা ইকাও কাওনবগুম তৌবে। মতমগী খোঙলৈদা, অখোংবা কযাগী মরক্তসু বাসেশ্বরী পালাদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা ওইরম্লা শওম, নীতি নিয়ম কযাদু ঙাসিসু কাযদনা লৌব। তুংগী মীরোলনা খঙনবা বাসেশ্বরী পালাগী পরম্পরা মীংথোনবা লাইরিক অসি পুথোকচরনি। অসিগী মমাংদা "শিজ লাইওরী অমসুং মহাবাস" মীংথোনবা লাইরিক অমা পুথোকচখিবা অদুদসু মসিগী মতাংদা খবদং নৈনজখ্রে। লোযননা শ্রীশ্রীগোবিন্দ বাসেশ্বরী পালা মকুপনা ফোংবা জরনেলদসু আর্টিকল ওইনা খর হাপচখ্রে। অদুবু বাসেশ্বরী পালাবু খঙানিংবা, মাসদা রিসার্চ তৌনিংবা মীশিং, কলা বিদ্যাবু পামজবশিংনা ইন্না ৱাদনা খঙনবা, মসিগী হৌরকপা, চত্থরক্লিবা ইতিহাসকী খোঙচৎঅসি লেংশিনজবগা লাইরিক ওইনা পুথোকচরি। অশোয অঙাম তাকাপরক্লবদি তরাম্না নৌশিনগনি অমসুং মথংগী খুনমদা চুমথোকচগনি। মসিনা অপাবশিংদা খবদং কান্নবা ফংলবদি হোৎনবগী মহয যাল্লে খঞ্জগান।

অইবী

য়াওফম

বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীগোবিন্দ নিরুপন তৌবা অমসুং মহাবাস কৎপা

বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র খৃ. কুম ১৭৪৮ পোইন্নগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অযুক পুং ১০ তাবদা যাইস্কুল জন্মস্থানদা পোকই। মহাক্ মৈদিংগুু পামহৈবগী (গবিবনিবাজ ১৭০৯ ১৭৪৮) গী মচাইবুংঙো শ্যামজাই খুবাইলাকপগী অনীশুবা মপাবীনি। পলেম অপোকপীনা বাযেনবম চনু চাখা লোইখোম্বীনি।

বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মিংলেন যামই। চাংমীশিংনা চীংথংখোম্বা, বৃটিশ অমসুং আসামগী মীশিংনা জর্যসিংহ, বৈষ্ণবশিংনা কার্ত্তা হাযনা মিঙ্গৌনৈ। শ্রীগোবিন্দবু নিরূপণ তৌদুনা মহাবাস জগোই কৎপা লাইবক থবা নিংথৌনি হাযবগী ভাগ্যচন্দ্র, ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবান ঋষিগী গুণ চেল্লি হাযদুনা বাজর্ষি হাযবা তাঙলবা মিংলেন অসি কৎবান। অকোনবগী মিংলেন বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র হাযবসিনা মীযামনা হেন্না খঙনৈ।



Mlhaiaj Bhagyachandia
By Courtesy R K C S

মহাক অসি শাদা লান্দা থৌবা, ধর্ম্ম লৈবা, নাৎ, সংস্কৃতি চাওখৎহনবদা শীংথাবা যানা খুদোল তমলম্বা মণিপুরগী ৫৪ শুবা নিংথৌবেলনি। মহাক্না চহী ৪০ চুপ্পা (খৃ: ১৭৫৯-১৭৬১) (১৭৬৩-১৭৯৮) মণিপুরগী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লমই। মযাম্বুং ইবুংঙো গৌবশ্যাম (মৌদংগুু মবাম্বা ১৭৬২ ১৭৬৩) গা কার্ত্তা চাংথংখোম্বগা চহী মঙা মঙা শিন্ন শিন্ননা নিংথৌ ওইনসি যানখি। চীংথংখোম্বনা অহানবা ওইনা ফম্বান



কাংলাসি খৃ. ১৭২৯ দনি। **চৈথারোল কুম্বাবদা** অসুম্না লাচংদুনা লৈ "খামবন চিন্দুমগী শক ১৬৮১ শজিফথা [illegible] পানবা শংগোলসেন্দা থৌবানামচাক পুষ্যানা পানবদা মৈদিংঙু [illegible] অখাম চনা মহাবাণীগী [illegible] কায়এ। নিংথেম মবাম্না ফম্বান কৃমএ।' - লাঃ ১২২

মহাক্না অনৌক হন্না ময়াম্বুং গৌরশ্যামনা নোঙ্গাখ্রবদা খৃ: ১৭৬৩ (শক ১৬৮৫)দা [illegible] নিংথৌ ওইখি। অখাম চং ভানুর্মী এব মহাবাণী হাপখি।

মৈদিংঙু চাংখংগো শ্না পানবা মতমদা যেক্রবশিংনা মণিপুরবু মিহৌদুনা তোয়না [illegible]। অদদা মশামক্না লাঙ্গিং পুরেল ওইদুনা কযানক হন্না লায় পাকখি। মহাক্না শান [illegible] মবাক [illegible] লৌশিল্লি। অদুবু খৃ: ১৭৬৪ দা অবাগী [illegible] দা লান্দাবকপা অদদদি অবাগী লাম্মী অমসুং [illegible] মতম খব কাছারদা [illegible] নিংথৌ স্বর্গদেব [illegible] বাজেশ্বর [illegible] মহাবাক্না তেখাও লৈবাক্তা [illegible] থৌদোক অদুগী ভংদা মণিপুরগী কলা অমসুং সংস্কৃতিগী লমদা চাউনা অহৌবা অমা লাকখি। থৌদোক অদুগী শমলক্না বর্ণিদি

ভাগ্যচন্দ্রনা তেখাওদা শামু ফাবা

কাঙ্গা মহাবাক্না মাবমদা লাক্লেন্দুনা লৈবংদা মাগী মামা খেলহৈ নোংনাং তেলহৈবা (খেলেম্বা) না অবা নিংথৌগী মথা পোনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইদনা মতম খব পাল্লি। মহাক্না মাগী মচানপা শর্মাজর্মানবু অবাগী তেংদোই নিংথৌদা থাজদুনা ভাইশেন ওইবগী মবা থম্মখি। খেলেম্বনা কার্ম্মাদা হান্না লৈখিবা মলোম অমগী লম্মান খুমগে হাযবগাদমক তেখাও নিংথৌদা চিঠি অমা ইর্শিল্লি। বাবোলদি "তেখাও নিংথৌ বাজেশ্বর। নহাক্কী মফমদা মৈতৈ নিংথৌ খেলৈ নোংনাং তেলহৈবা ঐনা চিঠিনা খঙহনখিবনি। নিংথৌগী নানা ক্তা মৈতৈ নিংথৌ শাশিনদুনা লৈবিবা নুপা অদু নিংথৌ শেম্বনি। মহাক মৈতৈ লৈবাক্তা লৈবা যাদদুনা চেনখিবনি। মাবু থুনা হাৎথৌদ্রবদি তুংদা নহাক্কী যেক্রবা ওইবক্কনি।"[৫]

চিঠিনা তেখাও নিংথৌগী পুক্লিংদা চিংনবা অমা পোকহল্লে। অহুম অথৌ পাএ মন্ত্রীগা বাতানবে। কবি তৌসিগে খন্নবে। কাৰ্ন্নবু তেখাও নিংথৌগী প্ৰজাওনা শামু যাইশদু থাদোক্লগা মাযাম মমাংদা ফাইনাসি হাযনা লেপ্পুবে। মদুগী মতুংইন্না তেখাও নিংথৌনা কান্তা মহাবাডদা বাথক পীবে।



শামু ফাবমদাইদা শ্রী গোবিন্দবু ভাগ্যচন্দ্রনা মণ্ডদা উবা

(আর্টিষ্টকী মীথেংদগী) BY Courtesy RKCS

থাগং অদু ফ বদা কাৰ্ত্তা মহারাজনা কাবৌবা, নুংঙাইতবা উন্নমক তুমিগা থাদিনদ্রা। লৈখি। তেথাও নিংথৌনা পাবিবা থাগং অদু থাক্কনি হায়না যাখি। পুক্লিং বাববা নিংথো। কা থানা মাগী লৈকমদা হল্লকলে। নুমিৎ তবদা বৃন্দাদেবীদ ধুপ থ চম কং তা হুকমগে। শ্র গোবিন্দবু থম্মে হন্নু দা লাৎচদুনা, তাকক চদনা, এত কৎলগা আহং চুপ্পা শ্রী গোবিন্দ নিঙাদ। নো চাল্লনদাও উহাব উপোন তৌবদা শ্রীগোবিন্দনা কা। মণ্ডলান্দা লেচাবব ক্লনা দর্শন পাবরে। বেশ থোনগা, খুতা বাশি পাননা, ডা। শুমহৎপা শাবেকপু দশন পাবিদুনা মনাই কগী মথমদা অসুম্না পা মল্লকও কা। নিংথৌ। নথরাব নুংঙাই বা থাদোকরে। এগী তৌভানদগী শামুনা নওগী। তৌহল্লোই। শামুনা নডবু মনঙ্গন্দা থাঙ্গৎতনা ঐগী ভক্তগী মতক মঙ্গনবু ডাংত ফোঙদোক্কনি। নুমিৎ খর্নাগী মতুংদা নহাক্না নৈবাকপু হাঞ্জন্দুনা নুংঙাইবা শোগদং ফংজগনি।

কাৰ্ত্তানা মনুংঙোদা খুনমজবদুনা হায়জবে ইবুংঙো ননা মণিপুবগী নিংথৌ ওইবিযু। ননাই ঐনা ইবুংঙে নংগী সেবা তৌদুনা লৈজগে। মনাইগী বাদু তাবদা শ্রী গোবিন্দনা "কার্ত্তা! ঐগী মূর্ত্তিসি যেংহৌবো। হযেং নংনা নবৈবাও। হন্দনা অমুক হন্না পাল্লবদা ঐহাক থৈবোং পাম্বী ওইনা কাইনা হাযবা চীং অদুদা হৌবমগে। থৈবোং পাম্বী অদুনা ঐগী

মূর্ত্তি শাউ, জগোই বাস কৎলকউ অসুম হায়না তার্কপদুনা কার্ত্তাগী মঙদা শ্রী গোবিন্দনা জগোই বাস অদু উহনবিবল্লে।

নিংথৌনা মীকপ থোক্লবদা বাংখে পণ্ডিত গোপীবাম সিংহ পাৎচহনবা কৌশিন্দুনা মঙগা বাবু পাউদল্লে। মঙদা উখিবা শ্রীগোবিন্দগী মূর্ত্তি অদু মান্না পাৎচহনবদা যেকথোকহল্লে।

সোমদনা তেখাও নিংথৌনা যাথং পীদুনা শামু যাইশ ফাগদৌবিবা মফম অদু পল খাদুনা, শগাই শাদুনা খৌবাঙ লোইখবে। তেখাও লৈবাক পুম্বদা ব্রা ব্রা নিন্নখ্রে। অঙম অথৌ প্রজা অযাম্বা শগাইদা কাদুনা মণিপুবগী নিংথৌনা শামু যাইশ ফাবগী কুম্মৈ যেংনবা খৌবাংনা ঙাইদুনা লৈনখবে।

কার্ত্তা মহাবাজ চাইখবে। চন্দন সেনা, লাই খুকল্লা লোইবে। খামেন চৎপা ফৈজোম খোঙল লমথাং খুৎহৎ তৎপা কোকনেং খোল্লে। সনা খুজি, খুবোম যাই থোল্লদুনা মফম অদ তাঃ। লেঙলকলে। বাংখে পাণ্ডত গোপীবাম সিংহ পাৎচহনবা অমসুং বাসমোন কৈকংবা অনানা থৌগল পহনা তংইখ্রবে।

[illegible] নিংথৌনা যাথং ফংলবদা কার্ত্ত মহাবাজনা শামু যাইশগী পঃমুংদা লেংশিল্লে। শ্রীগোবিন্দনু থম্মোইদা চেংনা নিঙজদুনা মাগা মিংলেন শোল্লদুনা শামুগী মাযকৈ তমনা চঙশিল্লে। মী লাকপগী শউম ফংবদা মথক্তা শেম্বাং পাইবা যাদ্রবা শামু যাইশ অদুনা অকিবগী শক্তমদা কার্ত্তা মহাবাজ তম্না তোৎচিল্লকলে। অঙকপনি! কৃষ্ণগী কৃপানা ওইনা তাই কার্ত্তা মহাবাজবু উবদা শামুগী নুংশি হৈতবা শাজৎ অদু খঙহোং হোংখবে। শামু অদুনা মযা অনীদু লৈবাক্তা যৈশিন্দুনা খুমাং অনীদু কুপ্তুবে। কার্ত্তা মহাবাজনা শামুগী মযাদা খোঙনা নেৎলবদা বাংখৈ পণ্ডিত অমসুং অযেকপা কৈকংবা অনীনা নিংথৌবু শামুগী মথক্তা লেঙখৎপদা সেবা তৌজখি।

শামু অদু হৌগৎলকলে। মনঙ্গন্দা কার্ত্তা মহাবাজবু পুবদুনা তেখাও প্রজা মীযাম তিল্লিবা পলগী অকোযবদা কোযনা চৎলে। মণিপুবগী নিংথৌনা জয় ওইবে হাযনা মীযাম্না লাউনখবে।

তেখাও নিংথৌ স্বর্গদেবনা নোল্লুকপগা লোযননা চঙশিল্লকুনা ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজনা শামু থক্তা লেঙথবকপদা থৌগল তৌবে। তেখাওগী সিংহাসনদা লেংশিনবীনবা হাযজবে। তেখাও নিংথৌ বাজেশ্ববনা অঙম অথৌ পাত্র মন্ত্রিগা লোযননা কার্ত্তা মহাবাজদা খুকমজবগা তক্ত ওইবা মণিপুবগী নিংথৌনা জয় ওইবে হাযদুনা "জয় সিংহ" হাযবা মিংথোল পাদুনা হকাহখুম্নবা উৎখি।

কার্ত্তা মহাৰাজনা তেখাওদা শামু ফাবগী মতাং অসি বাংলা লোন্দা ইদুনা ফোংবা শ্রীগৌৰাঙ্গ সুন্দৰ হায়বা লাইৰিক্তা অমসুং শ্রীৰাজকুমাৰ মাইহল সিংহনা ইবা শ্রীগোবিন্দ নিৰূপণ হায়বা লাইৰিক অদুদসু ইৰি।

মদুদগী খণ্ড়বদি ভাগ্যচন্দ্রনা তেখাওদা শামু ফাবগী থৌদোক অসি খৃ· ১৭৬৩ ৬৪ দা থোকখিৰনি হায। **চৈথারোল কুম্বাবদা** মসিগী মতাংদা ইৰমদ্রগসু মসি খৃ: ১৭৬৫ ৬৬ তা ওইৰম্বা যাই হায়না লৌৰা যাবগী মৰম লৈ। ভাগ্যচন্দ্রনা তেখাওদা লৈশ্রবা তুংদা শক ১৬৮৭ (খৃ. ১৭৬৫) দা মহাৰাণী অখা অমসুং মচাইবুংঙোশিং মযাংদা চঙই হায়ৰসি **কুম্বাবদগী** খণ্ডই। অমুক্তা শক ১৬৮৯ (খৃ: ১৭৬৭) বামোন হৰিনন্দগী কুমদা মৈদিংঙু চীং'খোম্বদি তেখাওদগী লাম্মী ৮০,০০০ লোযননা মণিপুৰদা থোৰকপগী বাফমসু **চৈথাবোল কুম্বাবদগী** খণ্ডই।

খৃ ১৭৬৭ তদি তেখাও নিংথৌ স্বর্গদেবনা কার্ত্তাদা মতেং পাদুনা অবাবু মায়থিবা পী খি। অমুক হন্না কার্ত্তানা মণিপুৰগী নিংথৌ খুভম হনজিনখি। নিংথৌনা শঙাইথেলদা ... শেমদুনা লৈবাক ঙাকপা হৌখি। খৃ ১৭৬৮ গী শজিবু থাদা অমুক নিংথৌনা শঙাইপৌদা কোনং হেংই। লালদা মতেং পাংবীবকখিবগী তৌবীমল খঙবা উৎতুনা কার্ত্তা মহাৰাজনা মযাম্বুং গৌৰশ্যামগী মচাইবেম্মা শীজ ফোংদলোকপী (কুৰঙ্গনযনী) বু তেখাও নিংথৌ ৰাজেশ্বৰদা থাজদুনা ঙাইশেন ওইবগী মবী থমখি। চৈথাবোল কুম্বাবদা অসুম্না হায "মৈদিংঙু মবাম্বগী মচা শীজ ফোংদলোকপী তেখাও লৈমবু ইবুংশীজ খ্বাইবাকপা মচা বাবর্মানা হাওবম বিষ্ণুৰাম, লোকতোংবা কৈকংবা অহুমক্তা চিংনা লৈমা থিনবা চৎলে। লংমাইথেম কিযোংগী কুম শক ১৬৯১। ইবুংশীজ বীবমনি তেখাও লৈমা থিল্লুবা থুংলৈএ। তেখাও নিংথৌনা শামু ৬ পীবকএ। মহাৰাজসু চজিংদা হোংএ"। লা· ১২৫।

নিংথৌ মচানুপী শীজ ফোংদলোকপীবু শজি মিৎতা তবী, মশক মতৌ চংখোনবীন হাযদুনা তেখাওনা কুৰঙ্গনযনী মিংথোলখি। কুৰঙ্গনযনীদি আসামগী ইতিহাসতা চাউনা মযম কন্দুনা লৈবি। মহাক্কী মথৌনা মৰৌশিংনা যেক্লবগী মখুত্তা তাম্রগদবা তেখাওগী সিংহাসনবু কনবা ঙমখিৰান।

কার্ত্তা মহাৰাজনা চজিংদা কোনুং শেমদুনা লৈবাক সাশন তৌবিঙৈ খৃ ১৭৬৯ দা অবানা অমুক হন্না লান্দাবকখি। লাম্মী মতিক চাদবদগী মৈতৈ নিংথৌনা মযাং লৈবাক্তা চেন্দুনা লৈখি। মদুদা হাওবম কৈৰ্বীবামনা লৈবাক ঙাক্তুনা লৈখি। খৃ: ১৭৭০ দা কার্ত্তাগী মনাওইবুংঙো ভবানন্দনা অবাগী মতেং লৌদুনা মণিপুৰদা লান্দাবকখি। লান্দা কৈবিবাম্না শিববদা ভবানন্দনা মনাওইবুংঙো কোকিলানন্দবু নিংথৌ ওইহল্লগা মহাক মশাদি অবা লৈবাক্তা লৈখি।

মতমদুদা কার্ত্তা মহাৰাজনা মযাং লৈবাক্তগী লাল তাবকই। কোকিলানন্দনা মযাম্বুংদা নিংথৌ খুভম শিন্নবে। কার্ত্তা ভাগ্যচন্দ্রনা অমুক মণিপুৰগী নিংথৌ ওইদুনা মতম খৰ লৈবে।

অদুগী অবাংবা অমক ওইনা খৃ: ১৫৭২ দা মাণপুরদা লান্দাবকাখি। কাওনা তেখাওদা লাঞ্জেন্দনা লৈখি। মতমদুদা পঞ্চনমচা বাংখৈ বিনোদামনা মবাগী মখা পোয়া বাংখৈ লৈকাইদা কোনুং ওইদুনা মৈতৈ লৈবাক লাকখিনা লৈখি। মতাংদুদা কাওনা ওখেলদগী থোরকুনা লোইবী চাংশাংদা ভাবা চাওবা মবাম খোমলগা মৈতৈ লৈবাক লান্দাবকই। নীংশিংবা যাই লাল ওমদনা কার্ত্তি মগাবা জনা খৃ: ১৭৭৫ গী ফাইরেল ১৯নি পানবা থাংজ নুমিত্তা লম্মাংদোংদা কোনুং শেমদুনা লৈবাক ডাকপা হৌখি। নিংথৌনা লম্মাংদোংদা কোনুং শেমদুনা লৈবগী মবমদি লম্মাংদোং চাংখ্রা লৈবগা হে ক্লবাশংনা লান্দাবকপা। হানা লান ওং শেমশাবা ওইহোক্লনি হায়বগনি। ভাগ্যচন্দ্রনা কোনুং ওইরম্বগী খুদম খরা ডসিস্ যাস. আই. কোলেজ মনাক্তদা লৈবি।

মতৌ অসুন্না মতাং মতম যেংদুনা মথৌনা মান, হোন শীজিন্নদনা, মীচং খোমদনা কাওবা ভাগ্যচন্দ্রনা হয়া হয়া অবা তেঙ্গোলগা লাংগুংনবগা মবেবাকপু যেক্লবগা মখুৎতগী কর্নাখি। লম্মাংদোংদা কোনুং শেমদুনা লৈবাক সাশনা তৌরবা মতুংদাদি লৈবাক্কা ইনা শান নেমথবকাখি। লৈবাক্কা চাওখৎনবগীদমক শেমগৎ শাগৎপগী থবক কয়া লৌখৎপা হৌবকখি।

মতম কুইনা পাঙথোকপা ওমদনা লৈনক্লবা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌবগা খুন্দুং পাঙথোক্লবা শেমশাবা হৌবকখি।

শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌবা

কাইনা চীংদা হৌবা থেবোং পাম্বীনা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌখি। নিংথৌনা খুৎতৈনা শাপম লোখোন সিংহগী কৌদুনা থৈবোং অদুনা মূর্ত্তি শাথর্নখি। **চৈথারোল কুম্বাবদা** অসুন্না হায় “হৈয়াম খুঙমগী কুমদি শক ১৬৯৮ হিয়াঙ্গৈ থা শগোল সেন্না হলএ। ১২নি ঈবাই নুমিৎকী অযুক যুমক মতুং পুং ১ চঙলকপা নিংথৌ কানগী ক্ষেন মেহেন্দ্রিগা ক্ষেনদা শ্রীগোবিন্দ নির্পন তৌএ।”

শ্রীগোবিন্দ নির্পণ কৌবা লাইবিগী শ্রীগোবিন্দ শাবগী মতাংদা অসুন্না ইবি “হৈয়াম খোংঙমগী কুম শক ১৬৯৮ হিয়াঙ্গৈ ১২ নি পানবা ঈবাই নুমিৎতা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা মতাবাজনা সনা যাথং তাকপিবা মতুং ইন্না বাংখৈ পণ্ডিত গোপীবান সিংহ পাৎচহনবনা শ্রী গোবিন্দগী মূর্ত্তি শাইএ।... শ্রীগো-বিন্দগী জীবন্যাস লোইববদা বাংখৈ পণ্ডিত গোপীবাম পাৎচহনবদা সনা খুজি, ইবিন রাংমা শামাং লাইবৌদা লৌ পবি ৭, নাই ফুঙ্গা ১, ইবোই ১, শগোল ১ আস পীএ।”

বাসেশ্বরীগী নিরুপণ

শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌরদা বাসেশ্বরগী মূর্ত্তিদি যাওদে। শ্রী গোবিন্দ নিরূপণ তৌদুনা অভিষেক তৌবদা বাসেশ্বরীগী মূর্ত্তি যাওদবনা বাজর্ষিগী মচাইবেম্মা লক্ষ্মীপ্রিয়ানা শ্রীমতি [illegible] কোনা মংৎ শিন্দনা শরুক য়াখি। অদগা ৎংদা বাসেশ্বরীগী মূর্ত্তি নিরূপণ [illegible]।

[illegible] শ্বরীগী [illegible] নিরূপণ [illegible] শ্রীগোবিন্দগী [illegible] বাবনা কার্ত্তিক [illegible] অন্দ্রকৌথাং [illegible] মদগী [illegible] খনশিন্দনা [illegible] মম্মা, খশ্নো, 'সদ্ধাঞ্জলীচংবনি। মযাম্না খঃনবগা যানখিবদি মচাইবেম্মা বিম্বাবতীনা শ্রী গোবিন্দদা [illegible] কুম্বা [illegible] ওইনা লৈখ্রবনা মাগী মংৎ শিনবা মার্ত্তি পখোবপা [illegible]। মচাইবেম্মা বিম্বাবতীগী খুৎকী খুজিল এবা, খোঙগী খুজিল তনা, শম [illegible] লেপ্লবে। [illegible] ইঃনা থাতনা তেববদা মূর্ত্তিদু ওইখি।

নিংথৌবোল কৃষ্ণাবদ অসুম্না ইবি "বাসেশ্বরী নিরূপণ তৌবদি শ্লোত্র পনেম, নন্দাসংহ কোনসবা, চক্রপানি কোনসবা, অনন্দ্রাম কোনসবা, খেলেম্বা কোনসবা, হাওজৌ কোনসবা, শামুবোক কোনসবা, যোইমা তবেৎমা অসিনা শাইএ মখোয তবেৎমদা লৌপাব অহুম অহুম, নাই অমমম, ইবোই অমমম পিএ।"

শ্রীগোবিন্দ বাসেশ্বরীগী মূর্ত্তি

মণিপুবগী জগোই বাস লীলা:

বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা বাসপঞ্চাধ্যাযগী ব্যাখান তাবগা শ্রী কৃষ্ণগা গোপীশিংগা শান্নবা বাসক্রীডাবু অভিনয তৌদুনা মণিপুবদা শ্রী শ্রী গো-বিন্দজীউনা অভির্ভাব ওইববদা বাজর্ষিগা সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞগী মশক ওইনা বাস লীলাবু শ্রীগোবিন্দদা কচ্চখি। বাজর্ষিগী আত্মা সমর্পন অসুম্না তৌখি।

বাসেশ্বরী [illegible]

জয় জয় রাধা গোবিন্দ দেব।
শ্রীল ভাগ্যচন্দ্র নৃপবর সেবা।।
জয় জয় কৃষ্ণ হে মুগ্রি করুনা করহে।
প্রনমামি সেদ তবচরনে
হাত জুরি জুরি কেয় বা মঞ্জুরী।।
রাঙা পদতলে বিনয় করে হা রাধা গোবিন্দ।।
অম্বা দাসী কভু না ছারিও।।


রাধা গোবিন্দনা জয় ওইরে
নিংথৌরেল ভাগ্যচন্দ্রনা খুরুমজে।
হে কৃষ্ণ নহাক্পা ঐবু থৌজানবীয়ু
নখোং থম্বালদা খুরুমজরি।
খুবাং তরা লোন্নদুনা
তঙাং খুয়া থম্বালদা খুরুমজরি রাধা গোবিন্দ
তোল্লবা ননাই ঐখোয়বু
থাদোকপীনু কৈদৌনুংদা।

জগোই বাস অদু কৎপদা ভাগ্যচন্দ্রনা কৃষ্ণরূপ প্রার্থনা অসুম্না কৎখি

শ্যামরূপ শ্যামরূপ। কি মাধুরী হেরনা।।
হের হের প্রানসখিরে। অবলা প্রান সোহেনা।।
বঙ্কা নয়ান চাহনি। পুরিলে প্রান সোহেনা ।।
দীনহীন ভাগ্যচন্দ্র এস আভিলাস।।

শ্যামগী শকুমদো কয়াদা নীংথিরিবা
য়েংউ য়েংউনে চান্নবী ইতাখোয়
তোল্লবীগী থম্মোয়সি পুঙমদে
খোইখোইবা মিংয়েংনা য়েংলকপা
নীংজবা পুম্বা মপুং ফারে।
থম্মোয় অসি পুঙমদে
তোল্লবদগীসু তোল্লবা ভাগ্যচন্দ্রগী
অপাম্বসু অসিতনি।

মহাবাস জগোই অহানবা ওইনা হৌদোকপা মতমদা শকখিবা ভাগ্যচন্দ্রগী প্রার্থনা



অসিদা মশামক অসি তোল্লবদগী তোল্লবা আত্মা অমনি হায়না ফোংদোকলিবা অসি ফজপ্রবা, ব্রাংপ্রবা বৈষ্ণবগী বিচাবদুনি।

শ্রী কৃষ্ণনা গোপীশিংগা শান্নবা বাসক্রীডা (বাস লীলা) গী ব্রাবী তাজবা, শকচ শোঞ্জবদা থম্মোযগী লাযনাগী মশক ওইবা কামবু থাদোকপা ঙমদুনা ভগবানগী কৃপা ফংবা ঙমই হাযনৈ। অদুনা বাজর্ষিনা শ্রীমদ্‌ভাগবতকী বাসপঞ্চাধ্যাযদা শন্দোকনা তাকলিবা শ্রী কৃষ্ণগা গোপীগা শান্নবা বাসক্রীড়াবু জগোই ঈশৈগী মতেং লৌদুনা সংকীর্ত্তন যজ্ঞগী মশক ওইনা বাস লীলা কৎলম্বনি। কীর্ত্তননা কলিযুগকী অথোযবা ধর্ম্মনি হাযনা নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রনা চেৎনা থাজে। লোযননা মৈতৈশিংনা জগোইবু খ্বাইদগী অহেনবা কলানি হাযনা লৌবা অসিনা বাসক্রীডাবু অভিনয তৌদুনা মহা সংকীর্ত্তন ওইনা তৌদোকপনি।

বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা অখণ্ড অহৈ পণ্ডিত কযাগী মতেং লৌবগা মণিপুবগী ব্রাংলবা কলা অমসুং সংস্কৃতিগী মচাক মবল মখৈ খোমজিল্লগা মচল চানা, মহাও হাপচিন্দুনা মহাক্কী মণ্ডলান্দা শ্রীকৃষ্ণনা উহনবীবম্বা বাস অদুবু নীংশিংদুনা মহাবাস জগোইদু শেমগৎপনি। জগোই অসি শেমগৎতুনা পুথোক্লবগী মতাংদা মতেং লৌখিবা শকনাযবা অখণ্ড অহৈশিংদি শ্রী গোপীবাম সিংহ পাচহনবা লোযননা ঠাকুব ভাগবতি, ঠাকুব বিদ্যালঙ্কাব, জগন্নাথ গোস্বামী, হবিদাস গোস্বামীনচিংবনি।

বাস লীলাগী সংকীর্ত্তনগী মতাংদা পাউতাক কযা লৌখিবনা বাবা বাম গোপাল বৈবাগীদগীনি। জগোইগী, সংকীর্ত্তনগী তাল, লয, সুব, অভিনযনচিংগী মতাংদা বংদেশ পালা পুবা ওজাশিং - প্রেমানন্দ, স্বৰুপানন্দ, ঠাকুব শ্যামা, ধনীবাম, কীতনাৰূপা, শৌগাইজম ভীমানচিংবদগী মতেং লৌখি।

মণিপুবী বাস জগোইগা অতৈ জগোইগা খেন্নবা

কার্ত্তা ভাগ্যচন্দ্রদি ঋষিনি, শ্রীকৃষ্ণগী অচানবা ভক্তনি। অদুনা মহাক্না শেমগৎপা বাস লীলা জগোই অসি ভক্তিবসনা থল্লি। ভাবতকী অতৈ লমদা লৈবিবা জগোই অতৈগুম্না মীৎযেং নাযেং, হকচাংগী শাথেকতা ইথক ইবাংগী ওইবা মিৎ খৎপা, নোকপা, শুগৎপনচিংবা অভিনয ং াওদে। জগোই শাবদা মীৎ অসি মখাদা যেংই। জগোই অসিনা মীশিংবু পৃক্লিংদা অশেংবা ব্রাখল পোকহল্লি। মীশিংবু ভক্তিগী লমদা চিংশিল্লি। অতৈ অতোপ্পগী ঈথিল চংদবা, নীংথিবা অমেঙবা, ফজবা শক্তমদুনা মফম মতম খৃদিংগী ওইনা মীপুম খুদিংদা অধ্যাত্মিকী ব্রাখল পোকহল্লি। জগোই বাস অসিদা ভাবোক্লা মশানা মশাবু কাওথোকচদুনা, মপুক্লিংদা তপথবা ঈংথবা ফংজৈ। অসিনি মণিপুবী জগোই বাসকী থোইদোকপা মগুণ।

বাস অদু কৎলিবা মফম অদস্ অতোপ্পা মী চঙইন্দনা বাসমণ্ডল অমা শেমগৎলগা মখাংবা ভাবোকতা পাঙথোকপান। কৃষ্ণ শাবনা চহী ৬, ৭কী নুপামচানি, বাধা শাবিবনা চহী ৫ / ৬ নুপীমচানি, গোপানা চহী ১২ / ১৩ গী মযুম পান্দ্রবা নৈশাবামচাশিংনি। জগোই অদু থা ২ / ৩ চঙনা ওজানা তাকপা, তম্বা। অদুনা জগোইদু শান্নবদা মায পাকনা, ফজনা পাঙথোকপা ঙমই। মদু উবদা ভাবোকশিংনা হবাওবা নুংঙাইবা অপেনবা পোক্লনা পিবাং শীঙ্খবিবনি। বৈষ্ণবশিং অদুনা গোপীগী খুযাগী উফুল লৌদুনা কোক্তা হাপ্পবিবনি। অসুম্না বৈষ্ণবশিংনা মধুর্য্য ভাব, গোপী ভাবকী মহাও তংজবিবনি। মশানা মশাবু কাউথোকচবিবনি। অসুম্না বাধা কৃষ্ণগী লোইনাইদ্রবা প্রেমগা অমুতদ ভক্তশিংনা থকচানবনি। অদুনা মণিপুবগী বাস লালাদা অহল ওইববা চহী ৭০ / ৮০ শুববা বৈষ্ণবশিংনা ব্রত কৎলগা থেঙলবা অহীং ফাওবা বাধা কৃষ্ণগী লীলা বাস অদব হব মতমদনা নৈবা ঙাম্লবা।

মণিপুবী জগোই বাসকী অতৌনদা কৃষ্ণ থাবলমদ হগী মতাংদা মোইবুং খোঙগৎলকপা, নুংশিনা বাশি খোঙগৎলকপদা বৈষ্ণবশিংগী পাক্লিংদানা। ওবিবা বাইলদ নাহৈনা খোংদোবফম অঙদে।



শ্রীকৃষ্ণনু নাংংবা, ইখৌ লাংবা নংদগী থোনকপা বান অদগা লোযননা শ্রীকৃষ্ণদা নপাশনা মশ্রবা মীকুপান। মসি বৈষ্ণবশিংনা বাসকী অমৃত থকচানবনি। অসিনা মণিপুবী বাসনা বৈষ্ণবশিংদা পানিনা ত্রাণনা। ভগী থাংম্ব হৈনা নবংভোগ শিংজনগী নুংঙাইনা বসকী মতাও তংবা নংজে।

শ্রীবাধা কৃষ্ণগী ফঙানবা বাস লীলাদা ফোঙদোকলিবা ফজবা অমেঙবা, অধ্যাত্মিকী ওইবা মশক অসি মালেমগী অতৈ মথমদা উবা ফংদে। মাণপুবদদি বাস যেংবা চৎলসি হাযনদে, বাস খুন মলুসি হাযনৈ। নুংঙাইবা অপেনবা মতাং যাওবদা খুবাক খুবা, ভালো লাউবগী মহুত্রা ভাবোকশিংনা ফমযমদগী হৈগৎলগা দণ্ডবৎ তৌনা খুকমদনা ভক্তি কৎচানবান, বস চুপচানবনি।

শ্রী কৃষ্ণগা ব্রজ গোপীশিংগা দ্বাপুব যুগতা শান্নখিবা বাস অদুব অতৈনা বাস হাযবগা খবনে। হৌজিকী মতমদদ লাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রী গোবিন্দদা কৎলম্না মাণপুবী বাসপু

খ-- রে। মণিপুরী জগোইকী কৎপগী থবক শৌনম পন্নমক অর্থ চেনা মকনবা নিয়মগা মখাদা পাঙথোকপনি।

মহাবাস জগোইগী মবনদা পণ্ডিত সবচান্দ শর্মানা অসুম্না যেৎনদুনা হায়, "সনলোনদি ভক্তগী থম্মোইদা ভগবান নৎত্রগা ভক্তিবং মপুদা তিন্নজবা মৎনগী মথাম্না মশাক অদনি। মসিদি মাঙবা ত কপা নাইবা মায়াজগৎ অসিগী মিৎনা উৎনবা অদুগুম্না লাল অদন-- মাসাদ লাইনাং লম্নাগী খ্বাইদগী বাংবা অয়ৌবা অধ্যাত্মক্কী ওইনা মশংবা লাইবম লেনগা ওইনা পাংনি। মসিদা কবিগুম্না অমকপা ভাব মচেৎ অমা ফাওবা যাওবা লৈতে। অসিগুম্না ভক্তগী ভগবানগা তিন্নবগী নুংঙাইবা ভাব অসি মহাবাস লীলাদা মমেক শেংনা ফোঙদোকই।"

মণিপুরী বাসকা ভঙ্গি পরেং তায়বসি শ্রীকৃষ্ণগী মথেক অহুম থেকপদু তমদনা শাথেক পুথোকপনি। মণিপুরী জগোইগা শুক হাওবম তোম্না সিংহগী মোৎ মতং ইন্নদি ভঙ্গি পরেং অসিগী অভিনয়বু কুপ্না নৈনবগী বাস জগোই পম্না শুনা খঙবা ঙমগনি। ভঙ্গি পরেং শাবব তদা মণিপুরী জগোই অসিবু বাস কৌবা হায়বি। ভঙ্গি পরেংগা অতোনবা তাংকক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মথেক অহুম থেকপদু অভিনয় তৌদনা পুথোকই। শ্রীকৃষ্ণগী হস্ত (খুৎ) না বাশি পায়দনা মধবদা চাপ্না অদসু অভিনয়না ফোঙদোকই। শ্রীকৃষ্ণগী ত্রিভঙ্গ মূর্তিবু পুথোক্ল নগাদনক খৎ থাঙ্গৎপা, চাংখবা অমক থাঙ্গৎতুনা অধবদা বাঁশি চপ্পা অদব অভিনয় তৌদনা শাবব জগোই তদনা বেদগী মন্ত্রবু যোঙদোকলিবনি।

পণ্ডিত চন্দ্রনা ভঙ্গি পরেংদা বাশ মুদ্রা পথে কলনদে। মসিদি তদা হপবৎলকপনি। ভঙ্গি পরেং অসিদ মণিপুরী জগোই বাস তদা শানি, প্যাথবাগী জগোই অদু তদা শাবা জগোই নত্তে।

পণ্ডিত ভাগ্যচন্দ্রনা কৎলম্না ভঙ্গি পরেংগী শাথেক খুৎথোক (অভিনয়) শিংদি অয়াম্বা মৈতৈগী হান্না লৈজবা জগোই খুথেক্তগী লৌবগা শেম্নি। বাসকা ভঙ্গি পরেং লাই হবাওবগা হকচাং শাবগা ভাব অমত্রনি। মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ পণ্ডিত অচৌবনা অসুম্না হায় ভঙ্গি পরেংদা যাওবিবা চম্প্রা ওকপী, চম্প্রা খাযবী অসি লাই হবাওবগী মনুংদা যাওবিবা পাম্লোইবানা লোংপোক নিংথৌদা লান্নবা লৈ হেকপা, খাযবগী খুৎথেক্তগী শেম্নি। লশীং কাপ্পী, লশিং মনবানা লাইবৌ ফিশা জগোইদগী লৌবনি। ভঙ্গি পরেংগী ঘাট তাবা, চক্র লৈবী, থবাক্তা খুৎ ওয থম্লগা খুৎ যেৎনা শাবা জগোইদি লাইবঙথৌ লাইনুবানা শায়বা ফিবল ওকপীদগী লৌবনি। চালি জগোইগী খুৎথেক শাথেক অযাম্বা পাম্লোইবা জগোইদগীনি।

কৃষ্ণনা জগোইদা খোঙ নাম থাঙ্গৎলগা খোঙ নামনা খুদোল লৈতারগা লৈবসু ফি শা ওকপী শান্নবনি। ব্রাংনা চোংবা য়াদবগী তাৎ তৌদুনা চোংবা মান্দনবা খুদোল কাওলগা লৈবনি।

মসি ফিবুল ওকপীদা নুপীনা চোংবা য়াদবা নুপানা লৈবদা চোংবা ওইনা শেমই। রাসতা কোয়না চৎলগা পুষ্পাঞ্জলি কৎপা অসি লাই হরাওবগী মথেক চৎপদগী শেমদোকপনি। অদুগা অতোপ্পা মখলগী রাসতা মরি থোকপী জগোই, লাই হরাওবগী চোওখোঙ লিৎপদগী শেম্বনি। অনী থোকপী জগোইনা লাই হরাওবগী ফুঙ্গারোল জগোইদগীনি।

অসুম্না রাজর্ষিনা শেমলম্বা সংকীর্তনগী পরীং, পূঙলোল, রাগ বাগীনি, জগোইগী অভিনয়শিং কয়া অসি মণিপুরগী মশাগী ওইজবা মবল ঙাকনি। ভক্তনা মপুং ওইনা কৎপা রাস ওইবনা মিৎ মায়গী অভিনয কয়া য়াওদে। অদুম ওইনমক বাসকী শরুক খুদিংদা খুৎনা শাদুনা ভাব ফোঙদোকই। মদুগী খুদম অমতং মাইস্নাম ওঝা অমুবী সিংহনা ইবিরম্বা অমসুং মদুবু মোৎ তৌবা হায়না খঙনদুনা অভিনয় তৌবা অদু মখাদা পীজরি ঃ

শরদকী পূর্ণিমা ইংনা লুরবা অহিং
ঙাল্লক্লে নিংথিনা বন পুম্বা
মাল্লিকা মালতি লৈ খিবিক্লা শাৎলি
খোইমুগী মপৈশু পাইবি।।
মলয়া নুংশিৎনা হৈনম লৈনম য়েল্লি।।
নিংথিহল্লে বন পুম্বা ।।
বনগী ফজবা উবা মী পুম্বনা পাম্মি
মাধবনা খোইনা পোল্ল।

ঈশৈ অসি শক্লা শক্লা পূর্ণিমাগী থাবলবু খুৎনা মান্নবা উৎতুনা মোৎ তৌদুনা জগোই শাই। মাল্লিকা মালতি শাৎলিবা, খোইমু পায়রিবা, লৈরাংদা খোইমু পাইরিবা, লৈরাংদা খোইমু ইল্লিবা পূম্নমক মালহন্না খুৎশা, শাথেক্লা খুৎথেকনা য়াম্না ঈংনা উৎলিবা অসি নাট্য শাস্ত্রনা হায়রিবা অঙ্গিকাভিনয়নি হায়না জগোই ওঝা হিদংময়ুম থম্বাল শর্ম্মনা মোত পীরি। অসিগা লোয়ননা নাট্য শাস্ত্রনা হায়রিবা আহার্য্যাভিনয়গী অলঙ্কার হায়বদু জগোই রাসতা কৃষ্ণনা, বাধানা, গোপীনা পোৎলোই শেৎপা, চন্দন থিনবা, খুজি নাইননচিংবা লৈতেংবা অসিনা ফোঙদোকই হায়রি। জগোই রাস শান্নবদা মরোল থোকপা তেনরা অদুনা ব্রজ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হায়না শোল্লকপা মতাং অসি সজীব আহার্য্যাভিনয় হায়বর্দুনি হায়নসু শ্রী থম্বাল শর্ম্মনা ফোঙদোরকই।

---
১ শ্রীগোবিন্দজী পালাগী পরম্পরা

শন্না হায়ববদা মণিপুবগী জগোই বাস অসি শাস্ত্রগী নিয়ম কায়হন্দনা, ভক্তিদা য়ুম্ফম ওইদুনা, মণিপুবগী হান্না লৈজববা সংস্কৃতি কলাসু যাওববা মপুং য়াম্না ফাববা অমসুং তোপ তোপ্পা জগোইনি অতৈ লমদা লৈতবা। মণিপুবগী বাস জগোই অসি ভাবতকী ক্লাসিকেল দান্সশিংগী মনুংচাল্লি।

||০||



শিজ লাইওইবীগী শমলপ্পা পৃন্সি রাবী অমসুং রাসেশ্বরী পালা লিংখৎপা

মহৌশা লাইবেন্থীগা লৈকোয়ুং, কলা সংস্কৃতি চংখোনবা লম, মণিপুর সনা লৈবাক্না খৃষ্ট কুম ১৭৭১ দা মমোম লাংলেন অমা ফংজখি। মহাক্কী মিংলোন্দি লক্ষ্মীপ্রিয়ানি। তুংদা মযাম্না মহাকপু মিংলেন কয়া অমসু থোনখি বিম্বাবতী, অনুরূপা, শিজ লাইওইবীনচিংবা।

শিজ লাইওইবাবু পোকপা পম্বৌদি মণিপুরগী নিংথৌরেল রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনি (খৃ ১৭৫৯ ১৭৬১, ১৭৬৩ ১৭৯৮)। চীংঙাখম চনু দেবহুতিনা পলেম অপোকপানি। বিম্বাবতীগা পোকমিন্নবা মযাম্বুদি হেমচন্দ্র সিংহ অমসুং চৌরজিৎ সিংহ (১৮০৩ ১৮১৩) অনীনি।

নিংথৌ মচানুপী অসি নিংথৌকোন্দা, মবুং মপুবা মবক্তা মীনাই মাশর্লশিং লৈমা নিংথৌনা শেংদনা নাওযোক নাওকোন্দনা খুদোল লৈতাদনা চাউবকর্পনি। অদন্ কং * মৌথোকপগা মহক্তা যাম্না তপচ ইংঙবী, মোংহাদবী, অহল লম্বুন্দ, মহক খোংবদ খকাস খাস লৈবী নুপামচা অমা ওইবকখি। লৈমকোল, নিংথৌকোলগা চৎনলোন, ব্যবহার শচুবী ওইবতা ন ননা ঈশ্বরগা মফমদা ভাক্ত শ্রদ্ধাসু যাম্না লৈবমই।

বিম্বাবতীনা পুংকক চাওবক্লবদা শক্তা চুদা যাম্না নিংথিবা চংখোনবী নুপামচা অমা ওইবকখি। কুচু যেংই লৈহাউ লৈবেন ঙমজবীনি। পাম্বোম ভাবু যেংবদা থম্বৌ হেবাগা তমজনিংঙইর্নি। মচাইবেম্মগী মাযথোংদা তঙাং তঙাংবী চিম্বাল, থামচেৎ মার্নবী পিশুম, শজি মিৎতা ঙমজবা মিৎম্না যেংউ যেংউবদা পলেম অপোকপীগী নুংঙনবীনি। অদুনা পলেমনা নুংশিনা কৌজে মমোম লাংলেন নুংঙনবীবু শিজ হায়না শিজদগী তুংদা শিজ লাইওইবী কৌনবকখি।

নিংথৌগী মচা ওইদুনসু লক্ষ্মীপ্রিয়ানা নাৎকী ওইবা ফিশা লোনশা, লোনবা খোৎপা তমদুনা নীংথিনা লৈজিল্লি। মপাবুং ইবুংঙো রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রদি জগোই, ঈশৈ কলা অতৈবু পুক্লিং থৌগৎপা, যোকখৎপা নিংথৌ ওইবনা সনা কোনুংদসু জগোই, পুং ঈশৈগী, থাঙ

তাগী ওজা থমদুনা নিংথেম মচাশিং ; য়োইবু যোইহৈশিংদা মশানা পামজবা কলাবিদ্যা অদু তন্ত্রগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। অদুগী খুদোংচাবদু লৌদুনা লক্ষ্মীপ্রিয়াদি পিকলিঙৈদগী হৌনা জগোই, ঈশৈ হৈ। পিকলিঙৈদগী হৌনা পলেম পঙ্খৈগী তুংইন্দুনা লাইগী সেবাদা, লাইনিং লাইশোলদা যাম্না থবায যাওবকই। মদুগী লীচিং অদুনা মচাইবেম্মবু অধ্যাত্মক্কী লমদা খোঙদাহল্লকখি। খৃ: ১৭৭৯ (শক:১৭০১) দা মপাবুং ইবুংঙো রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীগোবিন্দ অভিষেক তৌই। মদুদা মহাবাস জগোই কৎলি। জগোইদুদা মচাইবেম্মসিনা রাধিকাগী শক্তম লৌদুনা শকক যাই। ম তমদু মতাক্কী চহী ৮ শুবদনি। মহাক্কা হান্নদগী ঈশৈ জগোই হৈবা মবম্না জগোই বাস অদুদা শকক যাবদা যাম্না মায পাকখি। রাধিকাগী শক্তম লৌই, রাধিকাগী মমি (বিম্ব) নি হাযদুনা মহাকপু বিম্বাবতী থোনখি হাযনৈ।

শ্রী গোবিন্দগী অভিষেক অমসুং বাস কৎপদা শকক যাকবা অদুগী তুংদগীদি বিম্বাবতীগী পুন্সিদা অওনবা অমা লাকখ্রে। অঙাং ওইবগী শান্নখোৎনবা থাদোক্নুনা অযাম্না মতমদা শ্রীগোবিন্দগী মন্দিরদতা লৈরে।

মতমনা নোংমা নোংমা হৌখিবা খণ্ডহৌদে। অঙাং ওইবগী অচম্বা পুন্সিগী তাক্কক হৌখিদুনা মপুং মরৈ ফাবকখি। অদুগা লোযননা শ্রীগোবিন্দগী মফমদা লৈজবা মাগী শ্রদ্ধা ভক্তিসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। শ্রীগোবিন্দগী নিত্যসেবাদা পুক্নিং চংনা শরক খাজে। অষ্টকাল সেবাগীদমক লৈ হেক্লুনা, তুলশি পত্র হেক্লুনা পবেং লেংই। চন্দন হুক্লুনা সেবা তৌই। লাইগী হৈকক শেমই। মশামক্তা শ্রীগোবিন্দগী শৃঙ্গার, শযন সেবা ... অতৌ মতমদনা অখণ্ড অহৈশিংগা মফমদগী ঈশ্বরগী মরমদা হংজবা, তাজবা খঙনক্তা মহাক্কী অপেনবা, নাংঙাইবা ওইজে।

মহাক মশানা ভাগবতকী গোপী গীত, নরোত্তম ঠাকুরগী প্রার্থনা তোযনা শকই। চুম্নতগা ঈশৈ শকপা নাংঙে। ঈশ্বরগী মফমদা লৈবা মক্তবা ভক্তিগা লোযননা মিৎলু পিবাং শিক্লুনা নংশিবা খোঙ্জেলদা শকপা ঈশৈনি। মচাইবেম্মগী লাইনিংজবা মতৌদু উবগা মযামনা মাবু শিজ লাইনিংবী, শিজ লম্নোইবী হাযনসু মিঙ্কৌনবী।

বিম্বাবতীনা লৈশাবী মপুং ফাবক্লবদা পলেম পঙ্খৌনা মাবু থাজ যেঙ্গ্রবগী বাফম হৌদোকই। অদুবু মহাক্ত লুহোং খোংদোংদুনা যুম্নানবগী বাফমদা থোইনা পুক্নিং খোযদাকদে। মহাক্কী পুন্সিদি শ্রী গোবিন্দদা কথোকখ্রবনি। মহাকপু মপাবুংনা শ্রীগোবিন্দদা কথোক্লুনা রাধিকা ওইনা মহাবাসতা শকক যাহনখিবা অদুদগী মপাক্লুংদা শ্রীগোবিন্দবু মাগী মপুরোইবনি নিংজখ্রে।

চাবা, তৃম্বা থিদনা মতমপুম্বদা মবুংঙো শ্রীগোবিন্দবু নিংজবতনা বিম্বাগী পেনজবা ওইজাখ। তুমলিঙৈদফাওবা চোইবোল লোনবত্তম শ্রীগোবিন্দগী ... শানগী মতৌ

তোযনা উখোবকপদা নিংথৌ মহাবানীনদি মচাবু ঙাওব মাল্লে হায়না পাখৎচৈ। মদুগীদমক অখণ্ড অহে মাইবা মাইবী তান্নখিদবা নত্তে।



শিজ লাইওইবীনা মাগী কাদা ধ্যান তৌদুনা লৈরম্বা

BY Courtesy . R.K.C.S,.

মচাইবেম্মা বিম্বাবতীগী প্রেমনা শ্রীগোবিন্দ জাগ্রৎ ওইদুনা প্রেমগী লিলা শান্নখি। মদুগী য়াথোক ওইখি। "মচাইবেম্মদি নুমিদাংদা নিংঙোলকাদা নুপা অমগা য়ারী অসুম শাদুনা হেক হেক লৈবে" হায়দুনা সেবাবী অমনা নোংমদি নিংথৌদা হঙ্গৎলুরে। মদু তাবদা ইকাইবা অমসুং অশাওবনা লাকহৎলবা নিংথৌনা মচানুপীবু অমসুং মরমচৎ নাইদবা নুপা অদুবু অহকপা চৈরাক পীরগে হায়দুনা নিংঙোল কা তম্না চণ্ডলকখি।

নিংঙোল কা য়ৌবদদি য়াবী শারম্বদু তুমিন্না লৈরে। থোঙ নমখাইরগা চণ্ডবদদি কা মনুংদা অতে কনা লৈরমদ্রে। মচাইবেম্মনা ধ্যান তৌদুনা লৈরম্বা থেংনরে।

শ্রীগোবিন্দগী মন্দির অম্না নিংথৌনা মনাইমশালগা লোয়নননা লেঙলকলে। শ্রীগোবিন্দগী চুরা বাঁশি য়াওরমদ্রে হায়না সেবারীশিংনা থবায় য়ানা কোইথি থিনরম্বদু মচা ইবেম্মগী কাদা থেংনরুরে। থৌদোক অদুদগী মীয়ামনা বিশ্বাসদি শ্রীগোবিন্দগী কৃপা ফংবী চান্নবীনি, শিজ লাইওংবীনি, শিজ লাইওইবীনি হায়না খঙনখি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসিবু ওইথোকপা য়াত্রা হায়বসিগী মতাংদা অখণ্ড অহে পণ্ডিতশিংনা অসুম্না মোত পীঃ ভগবত বিগ্রহ পুম্নমক চিদানন্দ স্বরুপনি। ভক্তগী প্রেম ভক্তিদা বিগ্রহনা জাগ্রৎ ওই। শিজ লাইওইবীগী প্রেম ভক্তিনা শ্রী গোবিন্দ জাগ্রৎ ওইবনি। অসিদসু নত্রি বিগ্রহনা জাগ্রৎ ওইবগী য়াবী কয়াসু লৈরি- জয়দেবগী প্রেমনা জগন্নাথ, সমর্থ রামদাসকী প্রেমনা বিঠলনাথ, নরসিংহ মেহতাগীনা দ্বারকানাথ, মাধবেন্দ্র পুরীগীনা

গোপীনাথ, মীবাবাইগীনা গীবিধব গোপালনা জাগ্রৎ ওইখিবগী বাবাশিং ঙসিসু মযাম্না লৌনবি, শক্ল শোন্নবি।

মীবাবাইগী পুন্সিগা শিজ লাইওইবীগী পুন্সিগা মান্নবা যাম্না লৈ। মীবাবাইদি তবা তকককশুবা সতাব্দীদা রাজস্থানগী যোধপুরদা লৈবা মেণ্ডতা তাল্লুক্কী মনুং চনবা কুডগ্রামদা পোকপনি। মহাক রাঠোর নিংথৌলনি, বানা রতনসিংহনা পোকপা মমোমনি। পিকলিঙৈদগী হৌনা মীবানা গীবিধব লালগী মূর্ত্তি অমা লাৎচৈ। মদুবু মহাকনা লুনা নুংশিনা নিংথৌ। ভাইবংগী জ্ঞান লাকপদগীদি গীবিধব গোপালবু মাগী মপুবোইবনি হায়না নিঙভজদুনা শ্রীকৃষ্ণ গীবিধব লালদা মথবায় হকচাং পুন্না কখোকচখি।

লৈশাবী মপুং ফাবক্লবদা পলেম পন্থৌনা মীবাবু চিত্তোরগী রানা কুম্ভদা থাজদুনা লুহোংবা। অদুবু মীবানা নিঙভজবদদি তোংখিদে। গীবিধব গোপালবু থম্মোয়দা চেৎনা থমজদুনা পূজা তৌজৈ। মানা তোয়না শকচৈ, শোঙ্গে "মেরে তো গীবিধব গোপাল দুসরা ন কোই" ঐগীদি গিবিধব গোপাল নত্তনা কনা অতৈ লৈজদে। মসিনি মাবা ভজন হায়না মযামনা ঙসিসু শক্লবিবা মানা শকখিবা ঈশৈ।

নোংমা রানা কুম্ভদা মী অমনা অসুম হায়না তন্নবে। "মাবানা অহিং অথেংবদা মাগী কা মনুং দা নুপা অমগা রাবী শামিন্নদনা, ঈশৈ শকমিন্নদুনা হেক হেক লৌমন্নবে।" পাউ অদুনা রানাবু খোইশাঙনহল্লে। খুত্তা থাঙশাং পায়দুনা লোয়া মাবাগা থোঙজিন্দা লেপ্লবে। মাখোল তারদা ক মনুংদা রাবী শাবম্নদু ভুমিন্না লৈখ্রে। রানানা খোঙ নমখাইদুনা কা মনু দা চঙলকপদদি গীবিধব গোপালগী মূর্ত্তিগী মাঙদা মাবানা মমিৎ উইশিন্দুনা ধ্যান তৌদুনা লৈরমলে।

মীবাগী মকত্রবা ভক্তি প্রেমদুনা রানাগী থম্মোয়বু জয় তৌখি। রানাসু গীবিধব লালগা ভক্ত ওইনকখি। মসিনি ঈশ্বরগী লীলা। ভগবানদি ভক্তগী মখা পোল্লি হায়বসি মতৌ অসুম্না অতৈদা হেক হেক খঙহল্লি।

মনিপুরদনা **রাজর্ষি** ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীগোবিন্দদা কৎপা মহারাস জগোইদুদা রাধিকাগী শরুম লৌদুনা কক যাকপদগীদি বিন্দাবনা ঈশ্বরগী মথমদা হেন্না চংশিনবা, কৎথোকপা পামজবকখি। লুহোং খোঙদোঙদুনা যুম পানবগী আশা লৈখিদ্রে। মহাক্না মপূং মরৈ ফাবকপগা লোয়নানা মতম অযাম্বদা শ্রীগোবিন্দগী গুণ, মীংলেন শকচ শোঙ্গবদা হেন্না পূক্নিং চঙজখি। মদোম কৃষ্ণগী নাম শোনজবদগী হেন্দো নন মচাইবেম্মনা নুপাগী পালা অমা লিংখৎতুনা মযাম পুন্না কাগুন কৎপা পামজখি। মরম অসিদগী মপাবুং মহারাজদা নুপাগী সংকীর্ত্তন পালা অমা লিংখৎপনবা হঙ্গৎচৈ।

মতম অদুদা নুপীনা পালা ওইদুনা সংকীর্ত্তন শকপা চৎনবমদে। মবম অদুনা কবম্না নুপী পালাদু লিংখৎপা যাগদগে হাযবগী মতাংদা নিংথৌনা লৈবাক্কী অখণ্ড অহৈ, পণ্ডিত ব্রহ্মসভাগী পাউতাক লৌবে। বিম্বাবতীদি বাসেশ্বৰীগী মহুৎ শিনখ্রবনি, অদুনা মচাইবেম্মগী অপাম্বদি বাসেশ্বৰী ইবেম্মমক্কী অপাম্বনি হাযনা মযাম্না ফোঙদোক্লখি। অদুদগীদি বাসেশ্বৰী পালা হাযনা মিংথোন্দুনা মচাইবেম্মনা নীংজবা, পামজবা নুপীগী সংকীর্ত্তন পালা অদু লিংখৎখি। মচাইবেম্মা শিজ লাইওইবীনা ঈশৈ হন্দুনা কার্ত্তা শাগেগী নিংঙোলশিংনা পালা ওইদুনা সংকীর্ত্তন অদু শ্রীগোবিন্দদা কৎখি। সংকীর্ত্তন পালা অদুবু বাসেশ্বৰী পালা হাযনা খঙনখি।

শিজলাইওইবীনা শ্রীঅনুপ্রভুগা লোয়ননা নবদ্বীপতা লেঙশিনবা

শিজলাইওইবীনা বাসেশ্বৰা পালা লিংখৎতুনা মযাম পূন্না শ্রীগোবিন্দদা সংকীর্ত্তন কচ্চবা যংলনদা মহাক নবদ্বীপধামদ' মপাঙ্গ লেল্লগে হাযনা খননা হৌবকখি। মহাক্লা অখণ্ড অহৈ. ওজা গুরুদগী শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুগা বাবা, নবদ্বীপ ধামগী বাবী কয়া তাজনদগী মযামদুদা লৈজনাংখি।

নবদ্বীপ ধামাদ দ্বীপ মাপলনা পুনশিন্দুনা শেম্না শেংঙ্খ্রবা তীর্থ মফম অমনি। গঙ্গা তবেলগী নোংপোক্তা অন্তদ্বীপ, সামান্তদ্বীপ, গ্রোদ্রুম দ্বীপ. মধ্য দ্বীপ লৈ। নোংচেপ তগা কোলদ্বীপ, ঋতু দ্বীপ, জহ্নু দ্বীপ, মোদদ্রুম দ্বীপ অমসুং রুদ্র দ্বীপ লৈ। দ্বীপ মাপল মসিনা কোযশিননবা নবদ্বীপকা মাযাপুরদা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা অনতান তৌখিবনি। শিজলাইওইবানা শ্রীধাম নবদ্বীপতা চৎতুনা তীর্থশিংদবু খুদমজ নংই। মবম অদুদগী মপাবুং মহাব জনা তীর্থ লেঙবদা মহাকসু যাওজগে হাযনা হৌৎচে

অমবোমদা, মহাক্লা শ্রীগোবিন্দগী সেবাদি কাযনীংখিদে। মানা নীংজবদু মতৌ কবম্না ওইথোক্কদগে হাযনা শ্রীগোবিন্দগা কৃপা নিজখি। শ্রীগোবিন্দনা থৌজানাবদুনা মাগা মঙলান্দা অসুম্না তাকপিবমই হায "বিম্বা নংগা মধুর প্রেমদা ঐ পেল্লে। নংগী নিংবা থুংজবো। শ্রীগৌরাঙ্গগী মর্ত্তি নিরূপণ তৌদনা মূর্ত্তি অদু ঐমকনি খন্না নবদ্বীপতা সেবা চৎলুবো। মফমদদা প্রেম ভক্তিগী প্রচার তৌকবো।"


বিম্বাবতীনা মঙগী বাদুবু মপাবুং মহারাজদা তমজবে। কাইনাগী থৈনোং মকক্ ও শুরদুনা, খুৎথৈবা সাপম লোথোননা গৌরাঙ্গগা মূর্ত্তি নিরূপণ তৌবে। অনুপ্রভূ হাযনা মিংথোন্দুনা খৃ ১৭৯১ তা অযবা ক্রেনযম যেংদুনা অভিষেক তৌবে। শিজ লাইওইবানা

শ্রী অনুপ্রভু লোয়নবা মপাবুং মহারাজনা তীর্থ লেংবদা চুংইনজরে। অদুবু মোত অমদদি শ্রী অনুপ্রভুদি মচাইবেম্মা বিন্দাবতীনা হায়জবদগী শ্রীযুৎ চৌরজিৎ মহারাজগা (খৃ. ১৮০৩ – ১৮১৩) লোয়নদুনা শ্রীধাম নবদ্বীপতা লেপ্লগা মচাইবেম্মনা সেবা চৎলি।

লাইবক থাবদি মতম অদুদা বেঙ্গলদা মুসলমানশিংগী অকনবা প্রভাব লৈরবা মতম ওইদুনা নবদ্বীপচন্দ্র প্রভু ফাওবা ফোংনা লাইশঙদা লাৎপা যারমদ্রে। পীতাম্বর গোস্বামী। লৈনুংদা কোম তৌরগা লোয়না নবদ্বীপচন্দ্রগী সেবা চৎলমই। পীতাম্বর গোস্বামীদা হায়জদুনা অনুপ্রভুসু নবদ্বীপচন্দ্রগা লোয়ননা কোমদা পীতাম্বর গোস্বামীনা পূজা সেবা মতম খর চৎতুনা লৈরমই।

শিজ লাই ওইবীনা নবদ্বীপধামদা মতম খরা লৈদুনা নবদ্বীপকী দ্বীপ মাপল, শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুগী পোকথমনচিংবা অসেংবা তীর্থ মফমশিংদা দর্শন সংলুরে। শ্রী লৈনা লাইগী দর্শনসু সংলুরে।

অদুগী তুংদা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা মচাইবুং ইবেম্মা শিং, মহারাণী, লাইবু মোইরাঙথেম লোয়নবা মুর্শিদাবাদতা লেপ্লুরিবা শিজলাই ওইবীসু চংইল্লে। মতম



নবদ্বীপ ধামদা লৈরিবা শ্রী অনুপ্রভুগী মন্দির

খরগী ওইনা শ্রীঅনুপ্রভুবু পীতাম্বর গোস্বামীদা শিন্নরমলে। রাজার্ষিনা মুর্শিদাবাদকী শ্রীপাট ক্ষেত্রদা লেংবাস গুরুগী আখড়াদা মতম খরা লৈগে নাংবদগীনি।

মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা শকাব্দ ১৬৮২ দা নরোত্তম ঠাকুরগী শিষ্য গঙ্গানারায়ণ চক্রবর্তীগী দিক্ষা লৌবনি হায়। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা দিক্ষা লৌবসি গঙ্গানারায়ণ নত্তে। গঙ্গানারায়ণগী শিষ্য মথং মথং লৈরম্ব্রে শ্রীকৃষ্ণচরন মথংদা মাগী শিষ্য রাধিকারমন, মাগী শিষ্য পরমানন্দগী দিক্ষা ফংবনি হায়বা মোত লৈ। মুর্শিদাবাদতা গুরুদগী দিক্ষা লৌবগী তুংদা মফম অদুদা রাধাগোবিন্দগী মন্দির, মাগুর শাদুনা গুরু প্রনামিকা ওইনা কৎলমই। নুংপাকতা ভাগ্যচন্দ্র হায়না মিংহনখিবা শ্রীরাধাগোবিন্দগী চরনদা কৎলমই। অদুগী তুংদা গুরু গঙ্গানারায়ণ

চক্রবর্ত্তী, কুঞ্জবিহারী ঠাকুর, পুরোহিত নিধিরাম আচার্য্য, ঈশৈ শকপা রামগোপাল বৈরাগ্যগা লোয়নননা কার্ত্তা জযসিংহনা মণিপুরদা লেঙথোবকই। মযামদুগা লোয়নননা মণিপুরদা নাম প্রচার তৌবা হৌখিরনি।

খৃ: ১৭৯৮ গী তীর্থ চৎপা মতাং অসিদা অমুক হন্না শুরুগী আখড়াদা মতম খরা লৈরগা বৃন্দাবন্দা বাস তৌদুনা লৈগে নীংবনি।

নবদ্বীপতা মচাইরেম্মা অমসুং অতৈ অতৈ লোয়নবকপশিং লৈহৌরশিংদুগী লৈফম অমসুং অনুপ্রভূগী মন্দির শানরগীদমকসু রাজর্ষিনা শীর্নরিরমই। তুংদা চৌরজিৎ মহারাজনা নবদ্বীপ ধামদা নিংথৌ গীরিশচন্দ্রগা হাযনদুনা লম বিঘা ১৬ ফংই। মফমদু মণিপুর রাজবারী হাযনা মিংথোন্দুনা ঙসিসু নবদ্বীপ ধামদা লৈরি।

ঈশ্বরগী নোংদমদগী রাজর্ষিদি মুর্শিদাবাদতা মতম শাংনা লৈরমদ্রে। মফম অদুদা নিংথৌগী সনা হকচাং ইরক্লবদা নিংথৌনা মচাইবুংঙো চৌরজিৎ, তুলজিৎ অনীরু কৌশিল্লদুনা মানা নোঙ্গ্রাখ্রবা তুংদা পাঙথোক্কদবা কর্ম্ম, থবক থৌরম পূম্নমক্কী মরমদা পুকমেন পাউম্নেনরে। খৃ: ১৭৯৯ গী মেরাগী হূর্মনি পানবদা মুর্শীদাবাদগী শ্রীপাট ক্ষেত্রদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র ে স্বাখি।

রাজর্ষিনা থৃপখ্রবদা মফম অদুদগী নিংথৌগা লোয়নবকখিবা পূম্নমক নবদ্বীপ ধামদা অমুক হল্লকলে। হৌনবী মতুং ইন্না মণিপুরদা কীর্ত্তন তৌদনা রাজর্ষিগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রাদ্ধ কর্ম্ম পাঙথোকখি।

নবদ্বীপ ধামদা পীতাম্বর গোস্বামীনা অনুপ্রভূর কোমদা লাৎলিবা মতৌদ উবদা মহারাজকুমার চৌরজিৎ যাম্ন নুংঙাইখিদে। শিজ লাই ওইরবদি কপচবা নওনা উপায লৈখিদে। মতমকুইনা মন্দির থিংজিন্দুনা লৈখি। প্রভূগী দর্শন ফংজনিংবা মহাক্লা অসুম্না শকচরমই

কেবলে করুনাময ঐ অবতার
হা হা শ্রীগৌরাঙ্গবিধু রসরাজ
মুই কেন না হইল দযা।
নন্দ সুত প্রধন্য ছিল
মুখস্থ মৃদু বংশীধর
জীবনে নিস্তার হেতু নদিযা বিহরে।
পতিত পাবন নামধর
অঙ্গী শবদ দল
আজ গাতে মধু ভৃঙ্গ চয।

মুই কেন না হইল দযা
মুগ্ধ ধিনী পামবী, বিচ্ছেদ বীবোহিনী
নম নম দেব গৌববায

ঈশৈ অসিগী মণিপুরীদা অনুবাদ:

শাযোন্নি নুংশিবীহৈবা, গৌবাঙ্গসে
হাহা শ্রীগৌবচন্দ্র, বস ইবেল
কবি ইবালনা লৎনবী ঐবুদি।
ওইবর্ম্মীনে নন্দগী মচা
খোংলর্ম্মী বাঁশী, মেঙনা চিন্নান্দা
ঙাল্লবে নাদিযাদা, লানবীনবা জীনশিং
ঐতবুদি লৎনৈ, কবিগী।
অতোনবা লানবীবা মিংলেন নংগী
ঙংলি নখোঙ থন্নালদা
মতানা লৈহৗ, চক্র খোইমুনা
পঙজবী পাপ চেনবানি, ঈখৈ লাংবা নোঙ্গৌবান।
চঙজৈ খুযাংখাদা গৌববায।।

ঈশৈ অাস শকপদগী মান্দবগী লোল্লিবা খোঙ অদু মদোম হাংদোবক্লনা শিঙ লাই ওইবানা শ্রীগৌবাঙ্গ প্রভূগী দর্শন ফংজখি হাযনবা লৈ। সন্ধ্যাতিগী মতমদা নুমিৎ খুদিং শিঙ লাই ওইবানা নুংশিনবা খোঙ্জেলনা ঈশৈ অসি শকচবদা অতাবা কযাস পিবাং শাগ্নৈ। ঈশৈ অসি লাইখোং হাংবা ঈশৈ হাযনা খঙনদুনা ভসিসু বাসেশ্বরী পালানা শকাল।

। O :

রাসেশ্বরী পালাগী মতমদা

শ্রীশ্রীমনিপুরেশ্বর মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা পানবা মতমদা মণিপুরগী ইতিহাসতা শিংথাবা যাবা মরক থৌরম কয়া পাংথোকখি। মোইরাংদোক হেন্দোক্লা শিংথাবা যাবদি কলাগী মায়কৈদা চাওখৎলকপা অসিনি। ভাগ্যচন্দ্র কার্ত্তা মহারাজনা শ্রীগোবিন্দ নিকপা থৌদুনা হওজান হাংবা ওহং জগোয় রাস কৌখি। জগোয় রাস অদুমক্তা চৎসি মণিপুরগী পুথাক্লদা মশক নাইবা লমদম অমা ওইখ্রে।

রাসেশ্বরী পালাগী হৌরকপা

কার্ত্তা মহারাজনা জগোয় রাস কৌপগী মতমদা লাবী অমা লৈ। জগোয় রাস হৌরিবা লেপখ্রে অদুবু রাসেশ্বরী ইবেম্মাগী মখুংদি অঙনবা থৌরবদা কন্দদুনা লৈরে। মথম্মা রাধানা শোনচেদা নিংথৌগী মচাইবেম্মা বীম্বাবতী চেংখোবকই। মচাইবেম্মাদ থৌ শন্দনা শ্রীগোবিন্দগী মফম মনাক্তা লেপখ্রে। রাসেশ্বরী ইবেন্মগী মাহুগা চাংবা মায়রে। লেপুরল নাইবং অদুগা মচাইবেম্মা বিম্বাবতীনা রাসেশ্বরীগী শকতম থৌদনা শাংদুনা রাসদা হৌখিরে

বীম্বাবতীনা চাওখৎলকপগী থৌরাংনা শ্রীগোবিন্দগী মমদা নাক্তা শুম্না তম্নগনখি। ইবংঙোগী মমদা মপুম্ম কওখোকখি। ইবংঙোগী নম শকচং শাঙ্গনতনা মহাক্কী নুংঙু ওজবা ওইখি। বিম্বাবতীনা মপানুং ইবংঙোদ মহাক্কা ওইনা নপাশিংগা পালা অমা লিংখৎতনা শ্রীগোবিন্দগী থৌগাল যংজগে হায়না হঙৎচখি। মপান মহারাজনা যাবিদনা মপাগী পালাদু লিংখৎখি। পালা অদুগা মিংদি রাসেশ্বরী পালা। মতম অদুদগী হৌনা হৌসি ফাওবদা রাসেশ্বরী পালা অসিনা মণিপুরগী সংস্কৃতি অমসুং কলাগী শরক অমা ওইনা লৈরি। চহি খুদিংগী শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক নুমিত্তা মচাইবেম্মা বিম্বাবতী (হুংদা শিজা লাইওইবী নং ব্রগা লাইওংবী হায়না মথাঙ্গা খঙনবা) ঈশৈ হন্দুনা নিংথৌ শাংগেগী মচা ইবেম্মা লৈমাশিজা কযানা শ্রীগোবিন্দগী থৌগাল তৌই। শ্রীযুত নরসিংহ মহারাজনা পানবা মতমদা নিংথৌ শাংগেগী মচাইবেম্মাশিংগীসু পালা অমা লিংখৎতনা জলকেলি নুমিত্তা শ্রীগোবিন্দগী থৌগাল তৌবা হৌখি। মদুগা রাসেশ্বরী পালাগী থৌগালদি শ্রীগোবিন্দগী থৌগাল তৌহনখিদরে। অদুবু কার্ত্তা শাংগেগী মশক মমিং নাইবা কনাগুম্বনা লৈখিদবগী

শোবাৎতা বাসেশ্বরী পালা অসি শকই। খ্: ১৯৭২দগী হৌনা মনিপুরগী টেম্পল বোর্দনা শীন্দুনা বাসেশ্বরী পালা অসি শ্রীগোবিন্দগী মাণ্ডবতা শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক তৌখিবা নুমিৎ, পোইনুগী ১২নি পানবা নুমিৎতা থৌগল তৌবে। মসিনা মখাখ্যদবা কলাবু যোকখৎতুনা মনিপুরগী সংস্কৃতিবু মবা চেৎশিনলহল্লি।

পালা শকপগী মওং

বাসেশ্বরী পালাগী শক্তমদি অহানবদা নুপা পালা শক্লগা, পালা অসি হৌই। নুপীশিংনা কোৎতাল পাযবগা লেপখৎতুনা বাগ হৌই। বাগ অচৌবনি, নদিয়া ... । বাগগী মতুংদা ফমথবগা নিংথৌশিংগী বচনা, প্রার্থনা শকই। শৈশক শৈদাদি নটকা ঈশোনি। মতম অদুদদি মনিপুরদা বাংলা লোনগী প্রভাব যাম্না লৈর্বাননা শকলিবা ঈশৈ অসি বাংলা লোনদনি। ঈশৈ লোযবমদাইদা পালাদগী হৌগৎতুনা ঈশৈশকনবা, দুহাব অমদি পুঙগী লৃচিংবী খবনা চাল শকই। অবোইবদা শ্রীগোবিন্দ বাসেশ্বরীদা আর্নতি কৎলগা নুপা পালানা বিজয় শকুনা লোযশিল্লি।

বাসেশ্বরী পালাগী হিংজোল

পালাদা যাওবিবা হবেম্মাশিংনা মনেক মপাল লাইবনা যিদোং চিংহৎলনা লেপ্লি। ফুরাবৎ লিংনদে। লিক কোল যাম্না শি, ইনাফি অপানা ইল্লি। নুপা শম্বুল পুন্দন লে খেৎলি। ঈশৈ তৌবমদাইদা মখা অমমম খাদুনা লেংবান্দা যাল্লি। ... শাবা ... মচু শংবা যি অমা জগোয শাবমদাইদা খাদুনা লেংবান্দা ইল্লি।

বাসেশ্বরী পালাগী শংদোক শিল্লিন (organisation) ... থৌশিলনা ... থৌশিল ... মতমদদি পালা অসি পাংখোক্লবা হোৎনবদা ... খোইনা লৈবমদে। মতম খরা অমুক শ্রীগোবিন্দগী থৌগল যংনবগা খুদোংচাব মা খিবগা লোযনানা পালা অসিগী থৌশিন পুবা অসি মাওই খননা ... পাংখোক্লবগী দায়িত্ব লৌদুনা হেক হেক পাংথোকই। পালা অসিগী খোযদোকপা ... মশিং লৈতে। ঈশৈ শক্লদবা নুমিৎ যাওবদা পাউ তাবা লৈমশিঙ্গ খুদিংনা ... যাওবনা যাই। নিংথৌ পাল্লিঙেদা তৌবগুম অকনবা যাথংগা লৈতেনে, অযাম্বা মাওইনা মসি শাগেগা ওইবা মযাম মাবক তানবা থৌদোক অমানা হাযনা যাওনবা ওইনা চৎথনবকই। অদুনা ঈশৈ তিন্নবা, তম্বদা খোইনা পাক্লং চংলদে। অমবেম্মদা শংদোক শাঞ্জল তৌনবা পৈশা লেভবনা ওগা নেকপা ভমদনা অসিসু লাকই। মতম অসিদগী অযাম্বা পালাদা যাওবিবাশিংনা ঈশৈ খাদে, ঈশৈ শকদে। অযাবা অমা অনাদংনা নাম শোনবনা বা ওইনদা হৌই। মকে শেল্লবা লৈমা শিং মযাম কোৎতাল খংবগী মও দনক ওইনা ৬ই। তশেংবদি বাসেশ্বরী পালাগী নাম, ঈশৈ, বাগ, ছন্দ,

সংগোমনচিংবা অসি থাম্লা মশক নাইবা কলাগী মচাক ঙ ও নি। মসিবু নিংথিনা থিজিন খাংবাচদ্দুনা, ঈশৈ অসিদা হাপতোক হাপচিন তৌবা, ইমাবোন্দা শক্লবা হোংনবা, হেন্না ফজনা সংগোম খংথেক হাপ্পুনা শাবা অাসনচিংবা অসি তঙাইফদর্নি। লৈমশন্নাশংগী ১৭৬১ ঐনা অচৌবা শাগেগী নপা মচানি ঐনা মকোক মথং চত্নবা যাদে হায়না খল্লবগী মং ১ কলাসী মাযকৈদা হৈথোক শংথোযবা মী ওইশিংবু অতল লম্মনশিংবু মতিকচাবা খুদা পিদনা হেন্না মশক যক্তহনবা, মযামগী ওইবা মওংদা পুবকপস যাম্লা থব ওইগনি

মযামগী ওইবা মওংদা, কলাগী চাওখৎনবগী মওংদা বাসেশ্বরী পালাগী থবক মৌশিং পুনাবা এসোসিযেসন অমা নৌনা শেমলে। এসোসিযেসন অসিগী মমিংনা শ্রীশ্রীগোবিন্দ বাসেশ্বরী পাল মকপ হায়না রেজিস্ত্রার তৌখ্রে, Regd No 1614 of 1983 নি মরপ অসিনা চাহ খুদিংগী ওইনা শ্রীগোবিন্দগী অগ্রদা পোইনুগা ১২নি পানবা নমিৎতা বাসেশ্বরী পালবু হেন্না মপুং ফানা নিংথিনা পাংথোক্লবা হোৎনবাক্ল। মসিগা লোয়ননা পালা অসিগী মরমদা খন্না নোনব, সেমিনার তৌবা অমদি লমদম অতেদা মসিবু শন্দে কপগী থবকস লৌখৎলগনি। অসিগুম্লা থবক অসি লৌখৎলকপদা মবা লৈনবা অর্থবিটিনা, সরকারনা, টেম্পল বোর্দনা, লন্নাই সংস্থানশিংনা, কনব ১ং শবীনা মী ওইশিংনা পব্রিং থৌগলপিনবদি মনিপুরগ কন অমসুং সংস্কৃত চাওখৎহনবদা মতেং ওইগনি।

বাসেশ্বরী পালাগী ঈশৈ

বাসেশ্বরী পালাগী ঈশৈ শকপদা হোংদোক হোংজিন থবগা মহে তৌই। শ্রাদ্ধগী শকপা মতমদদি শিবিবা মীওই অদুগী যেংদনা বচনা শকই। কবিগুম্বদা মধুচন্দ্র মহারাজগী শাগেগী মাওই ওইবগনা মধচন্দ্রগী বচনা, চৌর্বজিৎ মহারাজগী শাগে ওইবগনা চৌর্বজিৎকী বচনা অসিনচিংবা। শ্রীগোবিন্দগী অগ্রদা পোইনুগা ১২ পানবদা শকপা মতমদা নিংথৌশিংগী অপুনবা বচনা শকই। শ্রীগোবিন্দগাদা থৌগল তৌবা মতমদদি অকক্নবা পুংজাদা পুজাগী আরতিগী থৌগল লৈবানিনা ঈশৈ শাংনা শকপগা মতম লেতে। অতে অতেদা অমসুং শ্রীঅনুপ্রভুগী শকপদা মতম যেংদুনা প্রার্থনা অমতেসু শকপা যাওই। বাসেশ্বরী পালাগী ঈশৈ অসি চপচানা মযামনা খঙনদে। ঈশৈ পুরম্বা মজাইবেম্মাশিং, সনাইবেমশিং থবনা চিন্দা ফাহৌবা ওইনা তৌই। ঈশৈ মযেক্লগা অবিবা বাংলা লোন ওইবনা ছন্দ পান্দুনা শকপদগী ইথোকচবা ওইবনা অবান অহুই যাওদে হায়বা যাবোই। মসিবু চুমথোকপিবক্লবদি মতুংগী চুমথোকচগনি।

রাসেশ্বরী পালাগী ঈশে

১। জয় জয় শ্রীশচীনন্দ গৌরাঙ্গ হে ২
মোর প্রানপ্রভু গৌরাঙ্গ হে
পতিত উদ্ধারন কারন হে
মোর করে দয়া হবে পভু গৌরাঙ্গ হে
জয় জয় শ্রীশচীনন্দ গৌরাঙ্গ হে।

২ (ফমথরগা শকপা)
আরে আমার গৌর অবতারবে। জগত নিস্তারবে।
কেবল হরিনাম দিয়া গৌর জগত।
হরিনাম লাইয়া করে কেলবা কেলবা বোলে।
আইস জীব আমার সাথে ১। কৃষ্ণদিব হাতে ২।
আইস জীব করি বুকে রাধাকৃষ্ণ বোল মুখে।
কাল জীবের লওহ কৃষ্ণনাম। কাঙ্গাল দিবে লওহ কৃষ্ণ নাম।
যার দোখ আপন কাছে, তারে হরিনাম যাচে।
ঘরে ঘরে গৌর পুছে আর নিপতিত আছে।

৩। নিবেদন কার বান্ধ বাধে ॥ এজনম ব্যথগেল
মায়াজবালে বান্ধনী, পিরীতে ভাঙ্গনা, বাধে বাধে।
বন্ধু ভজযাঙ্গনী, অঙ্গের ভাঙ্গনী, ভাবধি ভাবনী, বাধে বাধে
বন্ধু প্রান ধাবিনী, কানু প্রেম দায়িনী, একনিতম্বিনী বাধে বাধে।
কৃষ্ণমনমোহিনী, রমনী, শিরোমনি, হংসবিকাশিনী বাধে বাধে।
অপর সুবাঙ্গনী, নয়ন তরঙ্গিনী, হংসগামিনী, বাধে বাধে।
কাঞ্চন কমলিনী, নিলকান্তি বেশিনী, কনক রঙ্গিনী, বাধে বাধে।
নিজগুন গায়িনী, পতিত পাবনী ভাগ্যচন্দ্র গায়িনী, বাধে বাধে।

৪। অপূনবা বচ
দীনহীন ভাগ্য চন্দ্র ব্যর্থগেল জীবন ভরসা, করহে শ্রীচরন।
প্রাননাথ দয়াদান দেহ মোরে সেবাদান
লাবন্যচন্দ্র সদায় হৃদি ধ্যান।
বিষয়ে বিষম বন্ধু মায়ায়ে মোহিত অন্ধ
মধুচন্দ্র করহে ভাবনা (প্রার্থনা)

দাসের অনুদাস যাবজ্জীবৎ মনে আশা
কবে হব এই আশা মনে।
দাসের অনুদাস যাবজ্জীবৎ মনে আশা
কবে হব এই আশা মনে।
দাসের অনুদাস যাবজ্জীবৎ মনে আশা
কবে হব এই আশা মনে।
দীনহীন গম্ভীরসিংহ প্রেম সেবা দেও মোরে।
ভরসা করেছে শ্রীচরণ।
দীনহীন বিশ্বনাথ, ঐই অভিলাষ
জনমে জনমে দাসের অনুদাস।

৬। প্রাণনাথ গোবিন্দ শ্রী রাধিকা জীবন ২।
হে বৃষভানু নন্দিনী কৃষ্ণ সুখ স্বরূপিনী
শ্রীচরণে করি নিবেদন
ললিতাদি সখি সঙ্গে নানা লীলা করি রঙ্গে।
একবার দেখাও নয়নে। তুমি দুই শ্রীচরণে
সখী সঙ্গে সুভাবনা। দেহ মোরে হয়ে সকরুণা।
মুঞি হই অসৎমতি তোমাতে নাহিক রতি
পড়ে আছি বিষয় তিমিরে।
এবে কর্ম নাহি চাহি। কবে মোরে আজ্ঞা করি
রাখি মোরে রাধা কুণ্ড তীরে।
শ্রীরূপ শ্রী বল্লভনাথ ব্রজাঙ্গনা গণ সাথ
সেবা বাঞ্ছা কর পূরণ।
দীন হীন চন্দ্রকান্তি নাহি মোর আর গতি ভরসা করেছে শ্রীচরণ।
প্রাণনাথ . . . ।

৭। প্রার্থনা (ডা. গোঁসাই লোচনবা)
হে গোবিন্দ প্রাণনাথ শ্রীমতি রাধিকা সাথ
হা হা প্রভু ব্রজনন্দন হে।
হা হে বৃষভানু সুতে কৃষ্ণ প্রেম বিভূষিতে

কৃপা কারি দেহ প্রেমধন।
ললিতা বিশাখা সখি
হা হা বিধুমুখি, হা হা কমলা আখি
লাগোনিব শিরোমনি রাধে।
দুহু নাম মধুর রূপ মোরাচও ভঙ্গ তাপ,
উদরো ভাবিয়া পিযাইব।
হা হা বৃন্দাবনচন্দ্র মোর প্রভু গোকুলেন্দ্র
কোনদিনে পুন রনছা হব
হা হা প্রাণেশ্বরী রাধে সিদ্ধি কর
মোর সাধে, দেও মোরে, বৃন্দাবন বাস
ভুমাদুহা শ্রীচরণে নিবেদযে দীনহীনে
রাধা বল্লভ দাসের দাস।
হা হা প্রভু চন্দ্রকীর্ত্তি আর নাহি মোর গতি।
সুরচন্দ্র করু নিবেদন।
হা হা প্রভু চন্দ্রকীর্ত্তি আর নাহি মোর গতি।
কুলচন্দ্র করু নিবেদন।
প্রেম ভক্তি বিনোদ দীন চুরাচান্দ, অনুগত বুদ্ধচন্দ্র প্রার্থনা।

৮। প্রার্থনা

প্রান মোর ইষ্টদেব রাসেশ্বরী শ্রীগোবিন্দ।
ভুমাদুহ শ্রীচরনে সমরপীলু পঞ্চপ্রান।
জনমে জনমান্তরে। নিজদাশী হামু।
ঐই ভিক্ষা মাঙ্গযে চরন। জনমেয়ু জনমান্তরে।
ভাগ্যচন্দ্র নাসাবিহ শ্রীচরনে,
আর নাসাবিহ শ্রীচরনে।

চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী প্রার্থনা

প্রাননাথ গোবিন্দ শ্রীরাধিকা জীবন
হে বিশ্বভানু নন্দিনী কৃষ্ণ সুখ স্বরূপিনী

শ্রীচরণে কার নিবেদন
ললিতাদি সখি সঙ্গে নানা লিলা কাররঙ্গে।
একবার দেখাও নয়ানে। তুমাদুহাশ্রীচরনে
সখীসঙ্গে সুসেবন দেহ মোরে হয়া সকরুন।
মুঁইসে অসতমতি তুমাতে নাহিকরতি
পাড়য়াছি বিষয় তিমিরে।
মোর কর্ম্ম না বিচারি কর মোরে অঙ্গ কার।
রাখ মোরে তুয়া কুণ্ড তীরে।
শ্রীরাধা বল্লভনাথ ব্রজাঙ্গনা গনসাথ
মোর বানছা কর পুরন।
দীনহীন চন্দ্রকীর্তি নাহি মোর আরগতি
ভরসাকরহে শ্রীচরণ প্রাননাথ

নিংথৌশিংগী অপনবা প্রর্থনা

দীনহীন ভাগ্যচন্দ্র রাগেল জীবন ভরসা, করহে শ্রীচরন।
প্রানেশ দয়াবান দেহ মোরে সেবাদান
লাবন্যচন্দ্র সদায় হৃদ রাখ
বিষয়ে বিষম বন্ধ মহা মোহিত অন্ধ
নবচন্দ্র কাতর ভাবেন (প্রার্থনা)
দাসের অনুদাস মারজিৎ মনে আশা
কবে হব এই আশা মনে।
দাসের অনুদাস মারজিৎ মনে আশা
কবে হব এই আশা মনে।
দাসের অনদাস মারাজিৎ মনে আশা
কবে হব এই আশা মনে।
দীনহীন গম্ভীরসিংহ প্রেম সেবা দেও মোরে।
ভরসা করহে শ্রী চরন।
দীনহীন বিশ্বনাথ, ঐই অভিলাষ
জন্মে জন্মে দাসের অনুদাস।

[illegible]

হা হা প্রভু চন্দ্রকীর্ত্তি আব নাহি মোব গতি।
সুবচন্দ্র কক নিবেদন।
হা হা প্রভু চন্দ্রকীর্ত্তি আব নাহি মোব গতি।
কুলচন্দ্র কক নিবেদন
প্রেমভক্তি বিনোদ দীন চুবাচান্দ
অনুগত বুদ্ধচন্দ্র।

সুরচন্দ্র মহারাজগী প্রার্থনা

হা গোবিন্দ প্রাননাথ শ্রীমতি বাধিকা নাথ
হা হা প্রভু বজ্রনন্দন হে।
হা হা বৃষভানু সুতে কৃষ্ণ প্রেম বিভূষিতে
কৃপা করি দেহ প্রেমধন।
ললিতা বিশাখা সখি
হা হা বিধুমুখি, হা হা কমলা আঁখি
লোহিনির শিরোমানি রাধে।
দুহুঁ নাম মধুর রূপ মোরচিও ভৃঙ্গ তাপ,
উদয় কর ভাবিয়া পিয়াইব।
হা হা বৃন্দাবনচন্দ্র মোর প্রভু গোকুলেন্দ্র
কোনদিনে পুন বনছা হব
হা হা প্রানেশ্বরী রাধে সিদ্ধি কব
মোর সাধে, দেও মোরে, বৃন্দাবন বাস
ভূমাদহা শ্রীচরনে নিবেদয়ে
দীনহীনে রাধা বল্লভ দাসের দাস।

ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজগী প্রার্থনা

জয় জয় রাধা গোবিন্দ দেব
শ্রীল ভাগ্যচন্দ্র নৃপবর সেবা
দেহ বাধে কৃষ্ণ হে
ময়ি করুনা করুহে।
প্রনমামি সেদ তব চরনে।

[illegible] সরস্বতী [illegible] —

ত তে দাব ভোব কেইনা মঞ্জুবী।
ব ত পদতলে বনয করে।
হ নাহা গোবিন্দ
অমবা দাসী কভনা ছাড়হ।

লাবন্যচন্দ্র মহাবাজগী প্রার্থনা

জয় জয় বৃন্দাবনচন্দ্র
ব্রজেন্দ্র নন্দন কৃষ্ণ
ভক্ত চকব বস তৃষ্ণ
লোকনাথ গোপী প্রেমানন্দ
বাধা প্রিয ভ্রমব গোপীগন
প্রানেশ্বব হা হা কৃষ্ণ মোব প্রানাপন।
বৃন্দাবনে বিহবন বাধা সঙ্গে গোপীগন।
বসবাজ মব লীলা বদন।
ব্রজ বিনদ নাগব প্রেমবস সাগব
বৃন্দাবাস জনেব পবান
প্রান নাথ দযাবান মোব দেয সেবাদান
লাবন্যচন্দ্র দাস হাদি ধ্যান।।

মধুচন্দ্র মহাবাজগী প্রার্থনা

বন্দে হু শ্রী গুব পাদ পদ্মবন্দে।
ভক্তি কল্পতরু মূর্তিধাবী ছুঞ্চক।
বন্দে মূর্তিধাবী প্রেমানন্দ
শ্রীগুব করুনা সিন্ধু, ভাগ্যচন্দ্র দীনবন্ধু।
মদুব ভাগ্য প্রকতনা হইল।।
হৃদয মণ্ডল থাকি, চর্ম্ম চক্ষু নাহি দেখি
ভাব ছায়া গপতে বহিল
বৃন্দাবন মধ্যাস্থল জটপাট বস্তমুলা।
কুর্ম্ম পযস্ত সুমনাদিব বাজ।
প্রেমো মঞ্জবী সঙ্গে সেবা করে

নানা বঙ্গে কিশবা কিশবী পাদাম্বুজে।
হা হা প্রভু কবদযা অনুগত হযা।
সদায বাখোহ মোবপ্রান।
বিষযে বষম বন্ধু,
মাযাযে মোহিত অন্ধ
মধুচন্দ্র কবযে ভাবনা।।

চৌবজিৎ মহাবাজগী প্রার্থনা

হবি হবি হা হা বিধি কেমনে লেখিলো (৩)
নবদ্বীপ মাঝাবে ভাবিযাছি
তুমাবে কন্দিতে পডে ভূমিতলে ।। ধ্রু।।
বাপেব অগ্রেতে, ধবিযাচে আমাবে
কি কহব জবাগ্রস্ত নিতে।
তিলক মাত্র নাহি বিশ্রাম
কবাহ ভাবতে দঃ খেব চিত্তে।।
পতিত পাবন নাম
শুনি আইল তুমাস্থানে,
হা হা প্রভু দেও দবশন
দাসেব অনদাস চৌবাজিৎ মনে আছে
কবে হব এই আশা মনে।

কুলচন্দ্র মহাবাজগা প্রর্থানা

শ্রীবাধা গোবিন্দ পদে
বাঙা চবন কমল পদ্ম বাধে।
যুগল চবনকে বীবচন্দ্র
বাঙা চবন কমল পদ্ম বাধে।
প্রতি জন্মে জন্মে, বহত
তব পাদাশ্রয প্রাত জন্মে জন্মে।
পশু জন্ম পাপ কবি
নাছাডিত শ্রীচবনে।

ও ধম জানিয়া দয়া কর ন হ আমারে
মামাপ ক অপয নিজদাসা গনয
দিনহীন কলচন্দ্র এই রস পিহে

গম্ভীব সিংহ মহাবাজগী প্রার্থনা

হা হা প্রান বাধে কৃষ্ণ এইবাব করুনা করে।
নিকুঞ্জ মান্দর মাঝে কুসুম শয়ন বাজে।
কবে সে দেখিব দুহাকাব
শ্রীরূপ মঞ্জুবী সখি নিজপ্রান প্রিয সখি
অনুচবী হইবে গনন।
এ দাসীনী মৃদ সন্নাইন।
কৃপা দৃষ্টি কবি মোব দুহু শ্রীচবন তলে
নিভৃত নিকুঞ্জ বনে নিত্য বিলাসান বাধে।
করুনা কব মাঞ্জ নব হেম গৌবী বাধে।
দুহ শ্রীচবনে প্রান সমাপলু।
সুগান্ধ চন্দন লযা দুই অঙ্গে লেপন দিযা।
যতনে পুস্পেব মালা দুই গলে পড়াইব
দীনহীন গম্ভীব সিংহ এই অভিলাস
নিতি নিতি যুগল সেবা এই আভিলাস।

বিশ্বনাথকী প্রার্থনা

প্রান মোব ইষ্টদেব বাসেশ্ববী শ্রীগোবিন্দ
বাবে বাবে এই নিবেদন।
তুযা অনুচবী সঙ্গে সেন কাবব বঙ্গে।
জন্মে জন্মে বাঞা শ্রীচবনে।
মুখে দন্তে তৃন ধাব এই নিবেদন কবি
জন্মে জন্মে দাসেব অনুদাস
কহে দিন বিশ্বনাথ।

নিংথৌশিংগী বচনা তোঙান তোঙানবা লৈ। থিজিনবদা ফংবা খবা হাপচবি।

নদিয়া রাগ অমসুং শ্রী: ধানশী রাগিনীগী মরমদা

